ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯰꯶, ꯲꯰꯲꯳, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯷꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, জন্যুৱারী ০৬, ২০২৩, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ২৭৬শুবা মশীং

# পোপী পাম্বী থাবিরিবশিং মণিপুরবু উৎকী মপৈ ওইনা তুমহনবীগনু

পোপী পাম্বী থাবগী কান্নবা য়াম্না লৈ, শেন্দোং য়াম্না ফংহল্লি। পাম্বীসিনা মপূং মরৈ ফারক্লবা মতমদা ব্রাউন শুগর শুংনবগীদমক লোক্লগা ইল্লিগেল দ্রগ মখলসি শুংবা য়াই। অদুগা হায়রিবা দ্রগ মখলসিসু য়াম্না তাঙবা নাকোর্টিক সবষ্টেন্স অমা ওইরিবনা মমল য়াম্মী। অয়াম্বা শেন্দোং ফংবা ঙম্মী। মসিনা পাম্বীসিবু থারিবা মীওইশিং, থাহল্লিবা, থাহনবা ঙম্বা, ব্রাউন সুগর শুংবা অমসুং ফিনিশদ্ প্রদক্টশিং লল্লোন-ইতিক তৌরিবা মীওই খরদা পীবা কান্নবনি। মখোয় খক্তগী ওইবা ৱাফমনি। অদুবু পোপী পাম্বী থাবনা মাঙহনবসিদি ওন্থোক্লা য়ামখ্রে। পাম্বীসি থাগদৌরিবা চীংমাইশিংদা হৌরম্বা উ-ৱা অমসুং নাপী-শিংবী পূম্নমক শিৎ-নান্না কোগোক কোক্লা কোকথোক্কদৌরিবনি। থবকসিদা য়াম্লবা চাংদা নাপী হাৎনবা/হৌবা ঙমহন্দনবা অকনবা হীদাকশিং শীজিন্নৈ। চুম্নগী নাপী শিনবা হৌরকপা ঙমদনবা হীদাক শীজিন্নবদগী হেন্দোরক্তুনা য়াম্লবা থুমশিং ফাওবা শীজিন্নৈ। অদুগা থারিবা পোপি পাম্বীশিংদু নীংথিজনা মপূং-মরৈ ফানবগীদমক হার (ফর্টিলাইজর) শিংসু শীজিন্নৈ। হোয় তম্পাক অমসুং চীংগী লমদা লৈবা লৌবুক অমসুং ইঙ্খোলশিংদসু ফর্টিলাইজরশিং শীজিন্নৈ। নাপী হাৎনবা হীদাকসু শীজিন্নৈ, তীলহাৎ হীদাকসু শীজিন্নৈ। অদুবু মসিগী মনুংদা ফাওবা ওর্গানিককী ওইবা হার শীজিন্ননবা হোৎনরক্লি। থবকসিদা মায় ওনশিন্নরক্লি। মহৌশাগী অঙৈং-অশাগী খল কাইহন্দনবা হোৎনরকপা হৌরক্লি। অদুবু পাক চাওরবা চীংগী চীংমাইশিং শিৎ-নান্না কোকথোকপনদি মহৌশাগী ফীভমদা করি ওইরক্কদগে হায়বনি। মসি হায় হায়দুনা চীং অমসুং তমগী লৌবুক অমসুং ইঙ্খোলশিংদনা নাপী হাৎনবা হীদাকসু শীজিন্নগে, ফর্টিলাইজরসু, তীলহাৎ হীদাকসু শীজিন্নগে, চীংদনা শীজিন্নবা য়ারোই, শীজিন্নগনু হায়বা নত্তে। লৌবুক অমসুং ইঙ্খোলদদি চীংগী চীংমাইশিংদা হৌরিবা উ-ৱা অমসুং নাপী-শিংবীশিং অদুগুম্না হৌদে। চীংগী চীংমাইশিংদদি হায়রিবশিং অসি হৌবগা লোয়ননা তুরেলশিংগীসু হৌরকফম ওইরিবনি। মরম অসিনা হায়রিবা মফমশিংসি কোকথোরকপা অমসুং পোপী পাম্বী থাবগীদমক কেমিকেল অমসুং ফর্টিলাইজরশিং শীজিন্নরকপনদি অকক্লবা চীংমাইশিং অদুগী মহৌশাগী ওইবা লৈবাক লৈহাওদা কাইহল্লকই। মহৌশাগী ওইবা ফীভমদসু অহোংবা লাকহল্লি। মসিগী মথক্তা অসুম্মাইনা শীজিন্নরবা চীংমাইদগী নোং চুরকপা মতমদা চেন্থরকপা ঈশিংনা চীংগী লৈবাকশিং য়াওনা পূম্নমক অকুৎপা মফমদা পুথরকই। মীওইবদা নত্তনা উচেক-ৱায়া অমসুং শা-ঙাদা ফাওবা অকাইবা পীরকই হায়বনি।

মরম পূম্নমকশিং অসিনা মণিপুরগী চীংশিংদা লৈরিবা পোপী পাম্বী হান্নদগী থারকপা মীওইশিংনা পাম্বীসি থাবীগনু। হান্না থারমদবদগী নৌনা থারগে হায়না খনবসু তৌবীগনু। থবকসি তোকথোকপনা ময়াই কাবা ইল্লিগেল দ্রগশিংগী মশীং হন্থহল্লক্লবা হোৎনবদসু অচৌবা মতেং ওইগনি। মণিপুরগী মহৌশাগী ফীভম কাইহন্দনা থম্বসু ঙমগনি। পোপী পাম্বী থারগা ব্রাউন সুগর শুংবদগী ফংবা অয়াম্বা শেন্দোংদুদি ঙাইহাক্কীনি। মণিপুরগী চীংশিংগী চীংমাইশিং মরূ কোকথোরকপদগী পীরক্কদবা অৱা চৈথেংদি মতম পূম্বগী ওইনা লৈহৌরগদবনি। পূম্নমকসিগী মথক্তা হৌজিক মালেমগী ওইনসু ‘গ্লোবেল ৱার্মিং’ গী খুদোংচাদবা থৌদোক কয়া মায়োক্নবা হৌরক্লবনি। ঈংগদবা মতমদা ঈংলক্ত্রবনি অদুগা শাগদবা মতমদা শারক্ত্রবনি। নোংজুগী খোঙচৎতা কাইথরক্লবনি। মরম অসিনা হিংনবগীদমক তঙাইফদনা শেলগী মথৌ তারবসু পোখোক-চাথোক মরাং কাইনা পীবা অতোপ্পা মহৈ-মরোংশিং ওইনা থাবরোমদা পূক্নিং চংশিল্লু। মসিগীদমক লৈঙাক্কী হোর্টিকলচর অমসুং সোইল কঞ্জর্ভেসন লোয়শঙনা ফাওবা লৈঙাক্তা প্রোজেক্ট প্রপোজেল অমা থাগৎলক্লবনি। পোপীগী মহুৎ শিনগদবা মনা-মশিংশিংগী মরূ-মরাংশিং ফাওবা য়েন্থোকপা হৌখ্রবনি। অনৌবা থৌরাংসিদা মায় ওনশিনবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি। পূম্নমক্তসু মায়কৈ কয়াদা কান্নবা পীরক্কনি, নৎত্রবদি লৈজরিবা চীংমাইশিংসু নোংম-নোংমগী শিৎ-নান্না মরূ কোকথোরকপদা নত্তনা ফর্টিলাইজর অমসুং পেষ্টিসাইদশিংসু শীজিন্নরক্লগদি চহী খরগী মতুংদা মণিপুর উৎকী মপৈ ওইনা তুম্লকপা য়াবগী অকিবা য়াম্না চাওনা লৈরে হায়রিবসি অরানবা নত্তে। মণিপুরগী মহৌশাগী ফীভম কায়হন্দনা থম্বদা চীংমী-তম্মীশিংগী থৌদাং চপ মান্ননা চঙই। অঙম অঙম্বা মফম অমসুং লম্বীদা চঙশিনমিন্নগদবনি। চীংশিংগী চীংমায়শিংগী মহৌশাগী শক্তম কায়হন্দনবগী থবক্তি চীংমীশিংনা হোৎনবীরকউ হায়বনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৭

১) **“করিনা তমসিগে খুদোল/অনৌবা কুম অসিগী,/নাচোম অমদি শেঙ্লেনে/তখেল্লে শংব্রৈ লৈচন্না/চিগোংলৈ অমত্তংগা থেৎখিগে,/নংগী নাপ্প থন্নবা/হেপ্পি নিয়ু ইয়র।”** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা করি লাইরিক্তা য়াওবা করম্বা শৈরেংদগীনো?

২) **“ফাওরকপা ঈথিলদা শেমজিনবা ৱারী”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) **“চীংনা ঐগী পন্থৌ তম্না ঐগী পলেম”** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুর মপানগী অইবা অমনা মণিপুরীদা হন্দোকপা লাইরিকনি। ওরিজিনেল কনানা ইবা লাইরিক্তগী হন্দোক্লিবা অসিনা কনানো?

৪) **“অরোনবা থম্মোয়গী চিঠি”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) **“মমি তাদ্রবা মী”** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

# ঐখোয় টুরিষ্ট সেন্টররোমদা মায় ওনশিনবা চুমগনি

মতম মতমগী ৱাফম

সেঞ্জম দেবেন

‘সঙাই ফেষ্টিবেল, সিরুই ফেষ্টিবেল, কিহোম ফেষ্টিবেল, কোমলা ফেষ্টিবেল, শিংজু ফেষ্টিবেল, বোরা ফেষ্টিবেল”... ইরমদমসিগী ফেষ্টিবেলশিংগী মশীংসি হায়ফেৎতি য়ামখৎলক্লি। মরকসিদা ‘কাঙহৌরা, কিলি-চনারা অমখক্কী ফেষ্টিবেল অমত্তংগা হাপচিল্লবদি ইরমদমসিগী ফেষ্টিবেলশিংগী লিষ্টসি মপূং হেক্তা ফারদৌনি” হায়না কন্না ঙাঙনবা কাঙবু অমসু চুম্মী খঙদে, লাল্লি খঙদে হেক্তা য়াওনরকই। পংঙাঙ ঙাঙনববুদি ওইরম্বা য়াই হায়ববু অতোপ্পা ঙাঙনবা অমদা, “পাঙথোকপনা সঙাইগী ওইনা পাঙথোক্লগা ফেষ্টিবেলনা শগোলগী ওইনা তৌদুনা লৈরে” হায়বা সিমদি তশেং-তশেংনা অচুম্বা খরদি য়াওব্রা হায়বা ৱাফমসিসু পূক্নিংদা ফাওরকই। কনা অমনা অমুকসু, “মণিপুরগী শগোল (পোনি) গীসু ফেষ্টিবেল অমা তোঙান্না পাঙথোকপীফম থোকই, মালেমসিদা শগোল কাংজৈগী মশান্নসি, মণিপুরগী শগোল (পোনি) না হৌদোকচখিবনি” হায়বসিসু ফোঙদোক্নরক্লি। ... মীয়ামগী চিন হায়বসিদি কনানবু মেনবা ঙমগদৌরিবনো? অদুমকপু তশেং-তশেংনমক্কীসু চহী খুদিংগী ওইনা সঙাই ফেষ্টিবেল পাঙথোকপা খুদিংমক্তা মণিপুরগী শগোল (পোনি) দি অদুম্মক ইচেন্দা চেন্নদুনা লৈরি। সঙাই ফেষ্টিবেল পাঙথোকপা খুদিংগী মণিপুরগী শগোল (পোনি) না শগোল কাংজৈগী মশান্না, মথেল অমা উৎপা হায়বসিদি অদুম্মক ইশোয়মক শোয়দ্রবনি। ফীভমসিদা “সঙাই ফেষ্টিবেল পাঙথোক্লগা ৱাবনা শগোলনা ওইনা ৱাই” হায়বা ৱাফমসিসু চুম্লকপগুম তৌরি। মণিপুরগী শগোল (পোনি) গী ৱাফমসিসু নোংমদি শোয়দনা খন্নদবা য়ারোইদৌরি। ... কাশ্মীরদা লৈরগবু লৌ উবা পক্লগদ্রো? ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইবিরম্বা পন্দিট জৱাহরলাল নেহরু মশামক্লসু, “মণিপুরসি সেকেন্দ কাশ্মীর” নি হায়না ফোঙদোকপীরম্বা লৈখ্রবনি। সিঙ্গাপুরগী মচৎতু ইরমদম মণিপুরসিদা চৎনহনবদা করি কায়? চীংজিন-পোইনুগী মতমদা নোংমা চূপ্না খুলং কুম্লুরবসু শুপ্নগী লুপা ৫০০ খক্তনি ফংগদৌরিসি। নোংমা জুগালি চৎলুবগী নুপা অমগী খূৎশুমলসু শুপ্নগী লুপা ৫০০ খক্তদগী খক হেন্দ্রি। ঐখোয় টুরিষ্ট গাইদনচিংবা ওইহৌবসু ফত্রা খল্লি। ইশাসু নাল্লনি, শেলসু ৱাদনা তাল্লনি। ঐখোয় টুরিষ্ট সেন্টররোমদা মায় ওনশিনসি।

হায়সু হায়বনি হায়ববু, ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুরসি টুরিষ্ট সেন্টরশিংগী লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনহৌবনা খ্বাইদগী হেন্না চুমগদ্রা খল্লি। শেংনা হায়রবদা, ঐখোয়গী ষ্টেট মচাসিনা শুফম-নোম্ফম মরাং কায়না লৈবা ষ্টেট অমা ওইদবগা, লৈরবসু লমদমসিগী মীয়াম্না খরা শুগন-নোমগনবা ৱাৎপদৌনা উবসিগা, টুরিষ্ট সেন্টরশিং শেমগৎতুনা হিরমশোমদা মায় ওনশিনবনবু হেন্না শোয়দনা ফরনি। থৌদৌসিনা তুংদা ইরমদমসিবু শোয়দনমক্কী কান্নহল্লকপা য়াই। ইরমদমসিগী মীয়াম ওইরিবা ঐখোয়নসু ইরমদমসিগা চানগদবা মখলগী শেন্দান লম্বেলশিং করি-করিনো হায়বসি খন্নহৌফম থোকই। মালেমসিগী লৈবাক কয়ামরুমদা, হৌজিকসিদা টুরিষ্ট সেন্টরশিং শেমগৎনদুনা ইনকম হেন্না লাকহন্নবা হোৎনরকপা অসুক্কী মতিক উনরে। ইরমদমসিদা ফোরেনদগী লাকপা টুরিষ্টশিংসি অয়াম্বনা শেঞ্জাও পায়বা টুরিষ্টশিং ঙাক্তা ওইনা ঐখোয়না লৌবসিসু থোইনা লাল্লোই খল্লি। ঐখোয় অয়াম্বনা ফোরেন্নর টুরিষ্টশিংসিগা য়েংনবদা মখোয়না ঐখোয়দগীদি শেল-থুমগী ফীভমদা ফবা অসুক্কী মতিক হেল্লমগনি। অমুক্কসু পায়বা-পায়দবগী ৱাফম তোঙান্না থমখ্রগা মখোয়দা শেল লংথোকপদা চিংনদবা অমসুং কিদবগী অচৌবা মীহুল অমদি শোয়দনমক্কী য়াওরি। তৌববুদি য়ু এসকী দোল্লর অমখক্তা ঐখোয়গী ইন্দিয়ন রুপিগা ভেল্যু য়েংনবদা খেন্নরিবসি য়ামদ্রবদা লুপা হুম্ফুগী মথক্তদি শোয়দনা ওইগনি। ফীভমসিনা য়ু এসকী দোল্লর অমবু ইন্দিয়াগী শেল ওন্থোকপদা ইন্দিয়াগী শেলদা শরুক হুম্ফু হেন্না ফংহল্লি। অসুম্না ফোরেনগী টুরিষ্টশিংনা মখোয়গী শেলদগী ঐখোয়গী শেলদা ওন্থোকপদা মশীং য়াম্না ফংবসিনা মখোয়না ঐখোয়গী লৈবাকসিদা মতম শাংনা অমসুং ফ্রী ওইনা, নীংঙাইদনা কোয়-লাংদুনা লৈথোকপদা অয়াম্বসু কিবা অমসুং শেল থুম পাম্মুবগী ৱাখল্লোনসি ফাওনদবনি। অদুবু অমবু ওইরসু, অমবু ওইরসু ঐখোয়গীদি শেল ফংহৌবা হায়বসি কান্নবা থৌদৌ অমা ওইবনিনা অদুম্মক শেল ফংহৌনবা হোৎনবগী থৌদৌসিদি তঙাইফদে। ইংলিস, জপান, য়ু এস এ অমদি জর্মননচিংবা মালেমগী চাওখৎলবা লৈবাকশিংসিদগী শুপ্নগী মীওই খরা খরদং ওইরবসু ঐখোয়গী লমদমসিদা টুরিষ্ট ওইনা লাকপীরবদি মখোয়না ঐখোয়গী লমদমসিদা লংথোক্লমগদৌরিবা শেনফমশিংদু অচৌবা শেনফম অমনি। পারুবদা অসুক্কী মতিক য়ামগনি। অমবু ওইরবসু, অমবু ওইরবসু ইরমদমসিদা টুরিষ্ট চঙলকপা হায়বসিদি তশেংনমক ইরমদমসিগী অচৌবা ইনকম অমা শোয়দনা ওইগদৌরিবনি। টুরিষ্টশিংনা তশেংনা ঐখোয়গী লমদমসিদা মখোয়না লাক্নীংবা মতম অমদা হেক্তা লাকপদা কোয়বদা নুংঙাইবা লমদম অমনি হায়বসিবু খনখ্রবদি ঐখোয়গী ইরমদমসিগী ইনকমগী ৱাফমসি অসুক্কী মতিক চাংদম্নিংঙাই লৈতবা মওংদা হেঙ্গৎলক্কদৌরিবনি। সিনি হৌজিক্কালগী গ্লোবেল ৱর্ল্ড অমদি দিজিটেল ৱর্ল্ডগী কান্নবা হায়রিবসি। হৌজিক্তি মালেমসিগী মফম খুদিংমকসি নকপা অমসুং লাপ্পগী ৱাফম লৈত্রে। হৌজিক্কী মালেমসি দিজিটেল ৱর্ল্ডনি অমসুং দিজিটেল ৱর্ল্ডদগী মরূ হুনখিবা গ্লোবেল ৱর্ল্ডনি। ফীভমসিদা ঐখোয়না ঙমজবা থাক্তা দিজিটেল ৱর্ল্ড অমসুং গ্লোবেল ৱর্ল্ডগী ৱাহন্থোকশিং কায়হন্দনা ইরমদমসিগা চানবা মওংগী শেন্দাল লম্বেলশিং শেমগৎহৌবা ফৈ।

থবক শুনীংবা মীশিংদা লৈঙাক্না থবক শুফম মতিক চানা পীবিবা ঙমদবা, অমরোমদা লৈঙাক্না “শুবা-নোম্বা কনখৎসি, শেল মরাং কায়না পায়নবা হোৎনসি’ হায়দুনা শুপ্নগী চিনদা খক্তা তোয়না লাউবসিনসু ওইরক্লোইদৌবা লৈ। থবক শুফমশিং মরাং কায়না লৈত্রগদি অমসুং মওং-মরীল তাদ্রগদি লমদমসিগী মীয়ামসি মতৌ করম্না থবক শুনীংগনি? ঐখোয়গী লমদমসিদসু ফজনা থবক শুনীংবা মীওইশিং লৈতবা নত্তে। লৈঙাক্না মতিক চানা শুফম-নোম্ফম শীনবীদবনা শুবা-নোম্বদা কনবা মীওইশিং লৈ হায়বসি থোইদোক্না উবা ফংনদবনি। খুদম ওইনা হায়রবদা, মতম অমগী মণিপুর লৈঙাক্না লীংখৎপীখিবা, লোইতাং খুনৌগী স্পাইনিং মিল অমদি ৱাংবলগী সুগর ফেক্টরিনচিংবদু, মণিপুরদগী শিন্মী থোক্লক্তদুনা ফেল ওইখিবা নত্তে। লৈঙাক্কী পোলিসি লানবনা ফেল ওইখিবা নত্তবরা? মতমদুগী স্পাইনিং মিল অমসুং সুগর ফেক্টরিশিংদুদা থবক শুজরগা নিংথিনা হিংবা ঙমজরম্লবা অমসুং মিল অমদি ফেক্টরিশিংদুনা খঙহৌদনা ফেল ওইখিবদা হিংবগী আশা পূম্নমক মফম মরাং খঙখিদ্রবা ইমুং কয়ামরুমগী ৱারীশিং ঙসিসু লমদমসিগী মীয়াম্না লেপ্তুনা লীনরি। অদুগুম্বা ইমুংশিংদুগী অৱাবশিংদু লোইনা মরন্নাই তাজখি। মণিপুর লৈঙাক্না শুপ্নগী মমি-শামিশিং ওইনদং ফাওবা নীংশিংবীখিবা লৈতে। মণিপুর মীয়ামগী মরক্তা হৌজিকসু শুনীং-নোম্নিংবা মীওইশিং কয়ামুক লৈরি হায়বসিগী খুদমশিং ময়েক লানা উনরি। মণিপুর লৈঙাক্না মুন্না য়েংশিনবীদবগী উবীদবা ওইগনি। শুফম-নোম্ফমশিংবু লৈরবদি হায়দুনা হৌজিক-হৌজিকসু নুপাদা নত্তনা ইচল-ইচে, ইমা-ইবেলশিংগী মরক্তগী ফাওবা, মণিপুরগী নুপী কয়ামরুম্না ত্রকশিংদা নূঙ হাপ্পা য়াওনরি, থাবসু চৎনরি। লন্নাই শেল পায়বা কাঙবুশিংনা হাংদোক্লকপা মশীং য়াম্লবা চেক্কোনশিংদসু মশীং খঙদনা মণিপুরগী থবক শুবী নুপীশিংনা চেক হোনবা য়াওনরি, ত্রকশিংদা চেক হাপ্পা অমসুং থাবগী থবকসু তৌনরি। হায়নীংলিবসি মণিপুরগী মীয়ামসিগী মনুংদা খরদংবু শুনীংদবা ওইনা উরগা, মণিপুরী অপূম্ববু শুনীং-নোম্নিংদবা মীয়ামনি হায়না লৌবীবদি লানগনি হায়বা ৱাফমসিনি। মখা তানা অমুক্কসু হেন্না ময়েক শেংনা হায়জনীংলিবনা, মণিপুরদা অচৌবা কম্পেনি অমসুং ইন্দষ্ট্রিনচিংবশিং লৈতবা অমদি মণিপুর লৈঙাক্লসু মণিপুরগী মীয়ামগীদমক শুজ-নোমজনবা মফমশিং শীনবী-লীংবীদবসিদা মণিপুর মীয়ামগী মরক্তা শুনীং-নোম্নিংবা মীওই কয়ামুক লৈরি হায়বসি ময়েক শেংনা উবা ফংবীদবনি হায়বা ৱাফমসিনি। হীরমসিদা কয়ারক হন্না ফোঙদোকচরগসু তাবীনীংঙাই কনাসু লৈগনি থাজদে লমদমসিদা। হেন্না শাংনা ফোঙদোক্লুবগী কান্নবসু থোইনা লৈরোই।

হৌজিক্কী মতমসি জাৎ অমনি। লাইরিক-লাইশু নীংথিনা হৈরবা নহাশিংগী মফমদসু “নশানা নশাগী থবক পীজনবা হোৎনৌ, থবক্তা চিলহাও থিগনু, লৈঙাক্না য়ামখ্রবা মীয়ামসিগী থবক লোইনা পীবা ওইথোক্তে” হায়বা ৱাফমসি হেক হায়রুবদা নহাশিংসিনা শাউনীংবগুম তৌরি। তশেংনা মীপূম খুদিংমক লৈঙাক্কী থবক লোইনা পীবীবা হায়বসিসু ওইথোক্তবনি। ফংখিবা খরনা ফংখ্রগসু ফংহৌদবশিংনা ইরমদমসিগসু চানগদবা অমসুং মশাগসু চুশিন্নগদবা শেন্দান লম্বেলশিং য়েংবগী মথৌ তাই। অদুগুম্বা লম্বীশিংদুগী মরক্তা হৌজিক্কী মতমদা ইরমদমসিগী ওইনা খ্বাইদগী হেন্না চানগদবা শেন্দান লম্বী অমা হায়রগদি টুরিষ্ট সেন্টরশিং শেমগৎতুনা ফোরেন্নরশিং ফাওবা কোয়রকহন্নবা হোৎনবা হায়বসি অমনি। ঐখোয় অচৌ-অচৌবা টুরিষ্ট সেন্টরশিং শেমগৎনবা হোৎনসি। ফীভমশিংসিদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু পাংবীবা য়াবা মতেংশিং পাংবীনবা থৌরাংশিংসু লৌখৎহন্নীংই। ●

# ‘মৈতৈলোন’ না তেংথারি -১

- সোইবম মঙ্গিজাও মৈতে -

ঙসি ফাওবদা মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবা প্রোব্লেমশিং অসি ৱাকৎপা হৈতবা/লানবা নৎত্রগা রিপোর্ট তৌবা লানবদগী থোক্লকপা মৈশুৎনা নৎত্রগা মহৈনা অয়াম্বা ওইনা তৌই হায়জনীংই। মসিগী মনুংদা মৈতৈ খুন্নাইনা খরা খজিক হেনব্রা লৌজৈ। খুদম - কবো তম্পাক ফংহৌদবা, বোর্দরগী ৱাথোক, মৈতৈনা এস টি লিষ্টতা চলহৌদবা, মোঙ্গোলোইদ ঐখোয়না অরয়াননি হায়রুবগুম্বা, মিংকৌ লানবনচিংবা কয়া কয়ানি। ঐখোয়গী ষ্টেট অসি এথনিক গ্রুপ ৩৪/৩৫ লৈবা Multi-Lingual State অমনি। অদুবু মৈতৈলোনগী পুন্সি’ই লমদাংদা খুনুখোঙদা শমলৌবগুম্বা, ফুমজিন্দুনা থম্বা শাথীবা লায়না লৈবগুম হেক হেক মায়োক্নহল্লি। মসিগা মরী লৈননা ৱাফম খরা খ্বাই তরাগী মফমদা থমজরি।

**Official Language -** A. Gazette No. 221 Leter No. 2/14/77-Leg/L dated 27th Oct. 1979 Act 2. Definition (f) Manipuri Language means MEITEILON Writen in Bengali Scripts and spoken by the majority of Manipur population.

B. Gazette No. 427. Letter No. 2/8/2021-Leg/L dated 4th march 2021 Act 2. Manipuri Language means Meeteilon Writen in Meetei Mayek and spoken by the Majority of Manipur Polulation.

C. Gazette no. 33. Letter No. 1/2/78-SS/E dated 16th April 1980. MEITEI MAYEK.

D. Gazette no. 43. Letter no. 1/2/78-SS/E dated 24th April 1980. Corrigandum - please read Meetei for MEITEI.

**8th Schedule -** E. The constitution (seventy first Amendment) Act 1992. (2) In the Eight Schedule to the constitution (b) existing entry 8 shall be re-numbered as entry 10 and before entry 10 as so re-numbered the entry of 'MANIPURI' shall be inserted.

মথক্তা পীজরিবা গেজেটশিং অসি মীয়ামগী চমম্নবা কোকহনবদা মতেং ওইনবা পুথোকচবনি। গেজেটশিং অসিদা ‘অনীথোকপীগী’ মরমসু চাউনা হৌদোকপদৌনা তৌরি। লোয়ননা ‘মণিপুরী’ অমদি ‘মৈতৈলোন’ গী মরমদা শন্নপ্না ৱাফম খরা থমজরি।

**‘মণিপুরী’ :-** মণি = Jewels + পুর = Place হায়বনি। সংস্কৃট, বেঙ্গলিদগী লাকপা অরয়ানগী ৱাহৈনি। Pseudonym নৎত্রগা মণিপুরী Misnomer গী হু পুরিবা ৱাহৈনি। Exonym গী মিংকৌনি। Jagadish Vasudev, ISHA Founder না হায়রিবা মীতোপ্না থোনবা মিং হায়বসি Technology of Dominance নৎত্রগা Technology of enslaving ওই হায়বসিনি। থোইদোক্না মণিপুরলোন কৌবা অমা লৈতে। মরমদি ঙাঙবীনবা Speakers লৈতে। য়েনহৌ ফুরুপ খুদিংমক্কী মশা-মশাগী মমালোন (Mother Tongue) শিং লৈনজরি। খুদম কোমগী কোমলোন, পাইতেগী পাইতেলোন, মরিংগী মরিংলোন, মৈতৈগী মৈতৈলোন, তাঙ্খুলগী তাঙ্খুললোন অসিনচিংবা ঙম্নমক লৈনজরি। মরম অসিনা মণিপুরীলোন কৌবা লোন অমা লৈতে। মতাং অসিদা নীংশিংলকপা অমনা অইবা ইশানসু ‘মৈতৈলোন’ বু ইন্দিয়াগী ৮শুবা সেদ্যুলদা চনবীনবা ইহৌ তৌরকপদা চেন চোংবা, লাউ-খোংবা তৌজরকখি। অদুবু লাউথোক্লকপদা ‘মণিপুরী’ হায়না লাউথোক্লকখি। মথক্কী গেজেট (E) দা য়েংবীয়ু। ‘ঐগীদমক লৈরম্বী মাবু কনানা করি হায়জিনলম্লবা মনুংদা’ হায়বগা চপ মান্নখরে। ‘মৈতৈলোন’ গীদমক চেল্লম-লাউরম্বা মাবু কনানা করি মনুংদা হায়জিল্লমদুনা ‘মণিপুরী’ হায়না থোক্লক্লিবনো! অরাপ্পা খুঙ্গংদা চেল্লম চোংলম্বা মীওই কয়াসু মতমদুদা নীংবা কায়নখিবনি। মণিপুরীলোন হেক হায়রকপদা মহাভারতকী ৱারী বব্রুবাহনগী ৱারী হেক্তা থোক্লক্কনি। মসিনি রিপোর্ট লানবা, ৱাকৎ শোয়বগী মৈশুৎ, মহয়নি। মৈতৈলোন হায়গদবদা মণিপুরী হায়রুবগীনি। মণিপুর হায়বসিদি মণিপুর ষ্টেটকী দিমোনিম (Demonym) নি অতৈ অকক্লবা ফুরুপ্লু খঙহনবা ঙমদে।

‘মৈতৈলোন হায়বদা সেক্টরিয়ান ওই, অতোপ্পগী মবুক নাখিনি’ হায়না পাউথোকপীবা খরসু য়াওরি। মখোয় অয়াম্বনা লাইরিক লাইশু হৈবা প্রোফেসরগুম্বা মচিন তোংবা ঙাক্তা ওইনা তৌই। মৈতৈলোন্না মমালোন ওইবা মৈতৈ খুন্নাইগী খোল্লাংলোননি। ফুরুপ অমগী মশাগী মমালোনবু সেক্টরিয়ননি হায়রবদি অতৈ ফুরুপকী মমালোনসু সেক্টরিয়ান ওই হায়গদৌরিব্রা? কনাগুম্বা ফুরুপ অমদা নখোয়গী মমালোন্দু সেক্টরিয়ান ওই, মণিপুরী কৌসি হায়রুবদা য়ারকপদি লায়রদনা শাওরক্কনি, চৈরক্কনি। মখোয়না শাওখিনি খল্লুবা পাউথোক্লুবা অরাপ্পা চীংগী মফমদা লৈবা চীংমী ইচিল-ইনাওশিংদি ফুরুপ মান্নদবা অনী ৱারী শান্নবদা মৈতৈলোননা শানৈ, ফাওনলোন ওইরি। মণিপুরী কৌই হায়বা ফাওবা খঙজদে। লৈখিদ্রবা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইবিরম্বা ইকায়খুম্নজরবা অহল ইবুংঙো রিশাং কৈশিংনা পুন্সি লোইরমদাই ফাওবা মণিপুরী অমুক্তা হায়খিদে মৈতৈলোনখক্তা হায়খি। (রেদিও, এ আই আরদা উন্নবদা)। মৈতৈ খুজোক খরতনা শন্দোকপা পাউথোকপা ওইরি। থিজিনলোই খরগী মতুংইন্না মখোয় অসি নিংথৌগী মচাক মরন চাবা, মেন ইন পাৱরদা লৈবশিংনি হায়রি। মসিগুম্বা মখলগী এলিট গ্রুপশিংনা রিপোর্ট লান্না পীবসু মখোয়গুম্বনি হায়রি। থৌওং অসি Intellectual Malpractice নি হায়না ডা. এস বিরহরি, ফোর্মর প্রিন্সিপাল, ৱাই কে ৱাংজিংনসু ফোঙদোকই। মৈতৈলোনবু মণিপুরীনি হায়রুবদা মোইথেম ৱাহৈনি খঙখ্রবদি ওনশিন্দুনা পাউথোক্লিবা মখোয়বু করি হায়না খনখিগদগে? তশেংনমক ফুরুপ অতৈসু কোভর তৌনবনি হায়জিল্লসু নুংদা মৈতৈ খুন্নাই মাঙনবা, মূৎনবা তৌবনি হায়নবা লৈরি। হায়ফেৎ খনবদা লাম্বা ফংবীগনি। পোৎ অমগী মমিং শীজিন্নরিবা অসি পোৎ অদু লৈবগীনি। মমিং লৈত্রবদি পোৎতু লৈতে তাকপনি। মণিপুরী হায়বা ৱাহৈ অসি ঐগী মানবা মীগী ওইবদুনি। খঙমিন্নবা চঙই। মৈতৈ খুন্নাইনা মৈতৈলোন অশেংবা, অচুম্বদু হায়দনা মণিপুরী হায়না ইরমদমসিদা মীরোৎ অমগুম লৈবা মরম চাই হায়গদ্রা? কয়াম কুইনা মিরোৎ ওইখিগনি? মথক্কী (A) (B) গেজেটতা পল্লিবা "Manipuri Language means" হায়না শীজিন্নরি। মসিমক ‘মণিপুরীলোন’ লৈতে তাকপা Self explainatory ওইরবা অমনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।